# লৈতেংগী ওইবা ঙা য়োকপা অমদি মসিগী কান্নবা খরা

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

হৌজিক্কী মতমদা লৈতেংগী ওইবা ঙা য়োকপা হায়বসি ময়াম্না য়াম্না পান্নবা হোবি অমা ওইরক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিংগী লল্লোনবদা অচৌবা শেনফম কয়া ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা কয়া লৈরক্লি। মালেমগী ওইনা লৈতেংগী ঙা লৈবা য়োনবদা চহী অমদা য়ু এস দোলর বিলিয়ন মঙাগী মথক্তা কান্নবা ফংলি অমদি চহী অমদা চাদা নিপান হেনগৎলক্তুনা লৈতেংগী ঙাগী মরমদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎনবগী খুদোংচাবা পীরি। লৈতেংগী ঙাবু অতোপ্পা লৈবাক্তা য়োন্দুনা খ্বাইদগী হেন্না পৈশা তাল্লিবা লৈবাক অসি সিঙ্গাপোরনা ওইরি। মথংদনা হোংকোং, মলেসিয়া, থাইলেন্দ, ফিলিপাইন, টাইৱান, ইন্দোনেসিয়া অমসুং ইন্দিয়ানা মথংশিংনা ওইরি। লৈতেংগী ঙাবু অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী খ্বাইদগী য়াম্না পুশিল্লিবা লৈবাক্না য়ু এস এনা ওইরি। মথংদা য়ুরোপ অমদি জপান্না মথংশিংনা ওইরি। হৌজিক হৌজিক হীরম অসিদা কন্না খুমাঙ চাওশিল্লক্লিবা লৈবাক্না চাইনা অমসুং সাউথ অফ্রিকানি। য়ু এস এদা চহী অমদা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ৫০০ রোমগী লৈতেংগী ঙা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী পুশিল্লি।

লৈতেংগী ঙা লল্লোন ইতিক তৌবদা ইন্দিয়াগী ওইনা লুপা লাক্ষ ১৫৮.২৩ চহী অমগী ওইনা কান্নবা ফংলি। হায়রিবা অসি মালেমগী ওইনা চাদা ০.০০৪ খক্তমকনি অমদি হায়রিবা অসিগী মরুওইবা শরুক্তি পাৎ তুরেলনচিংবা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈবা ঈশিংদগী ফাদুনা য়োনবনি। মপান লৈবাকশিংদা থাদোকখিবতা নত্তনা ঐখোয়গী লৈবাক অসিদসু লৈতেংগী ঙাশিং অসি লৈবা-য়োনবা কয়া তৌনবগী খুদোংচাবা কয়াসু লৈরি। তৌইগুম্বসুং মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিংনা অচৌবা শরুক ওইরি। হায়রিবা হীরম অসিদা ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈবা য়োনবা তৌবদা চহী অমদা লুপা ক্রোর ১০ হেন্না কান্নবা ফংলি অমদি চহী অমদা চাদা ২০ হেনগৎলক্লি। হায়রিবা হীরম অসিদা অসুক চাউবা শেনফম তানবা য়াই হায়বসি খঙবা মীওইগী মশীং য়াম্না নেম্মী অমদি হৌজিক চত্থরিবা লৈবা-য়োনবগী থবক অসিসু বৈগ্যানিক ওইবা থৌওংদা পায়খৎপা নত্তে। তৌইগুম্বসুং লৈতেংগী ওইবা ঙা য়োকপা, মচা পুথোকপা অমদি লৈবা-য়োনবগী থবকসি অরুবা থৌওংদি নত্তে। হায়রিবা থৌওংশিং অসি পায়খৎপনা মপান লৈবাক্তা থাদোকখিবা নৎত্রগা য়োনখিবদা নত্তনা মীওই কয়াবু থবক পীবসু ঙমগনি।

ঐখোয়গী লৈবাক্তগী মপান লমদা থাদোকখ্রিবা ঙাশিংগী চাদা ৯৫ দি মহৌশানা লৈজরম্বা ঈশিংদগী ফাবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ঙাশিংবু ফাদুনা য়োনবগী থৌওংসি মরুওইনা অৱাং নোংপোক ভারতকী মফমশিংদগী ওইনা তৌই মথংদা খা ভারতকী মফমশিংদগী ওইনা তৌই। হায়রিবা মফম অনী অসি ঙাগী বাইওদাইবরসিটিগীদমক্তদি হোট স্পোটনি। অসুম্না মহৌশাদগী লৈরক্লবা ফজবা অমদি অতাঙবা ঙাশিং অসি ফারগা মপান লৈবাক্তা অসুম অসুম য়োন্থোকখ্রবদি ঙাশিং অসি মুৎখিগনি। মরম অদুনা হায়রিবা ঙাশিং অসি য়োক্তুনা মচা পুথোকপগী





তঙাইফদবা লৈরি।

লৈতেংগী ঙাশিং অসি য়োক্লবগীদমক্তা এক্কারিয়ম শেম্বা হায়বসি অরুবা থবক অমা নত্তে। কনাগুম্বা মীওই অমনা ইরায় লায়না শেম্বা য়াই হায়বদি সিলিকোন সিলেন্ট (ট্যুব ওফ সিলিকোন রবর) অমসুং মসিবু কাপনবা গন অমগা লৈবিরগা ইরায় লায়না শেম্বা য়াই। হায়রিবা পোৎশকশিং অসি কৈথেলদা ইরায় লায়না ফংবা পোৎশক ঙাক্তনি। করিগুম্বা রেক্টেঙ্গল হায়বদি চুথেক নাইবা এক্কারিয়ম শেম্বীগে হায়রবদি অকক্লবা গ্লাস মঙা লৈবীবা দরকার ওই। মনিংথংবা গ্লাস অদু শকয়েং মিংশেল ওইহনবসু য়াই। তৌইগুম্বসুং পাম্বী অমদি নূংনচিংবা য়েকপা, নপ্পনা হেন্না পাম্নে।

মথক্তা পনখ্রিবা সিলিকোন রবর ট্যুব অমনা এক্কারিয়ম মঙা তরুক শেম্বা কোন্নে। এক্কারিয়মগী মওং মতৌ অমদি চাউবগী চাংশি অমা হেক্তা ওইবা য়াই। তৌইগুম্বসুং মখাদা পীরিবা চাউবগী চাং অমদি রেক্টেঙ্গল হায়বদি চিথেক নাইবা এক্কারিয়ম অসিনা খুদোংচাবা হেল্লি। চিথেক নাইবা এক্কারিয়ম শেম্বদা চঙগদবা গ্লাস অমদি মখোয়গী চাউবা অমদি থাবগী চাং অদু মখাদা পীরি।

| এক্কারিয়মগী চাউবগী চাং | গ্লাসকী চাউবগী চাং (সীএম) | গ্লাসকী থাবগী চাং (এম এম) |
|---|---|---|
| ১) ৬০ x ৩০ x ৩০ | ৬০ x ৩০ = মশীং ৩<br>৩০ x ২৯ = মশীং ২ | ৪ |
| ২) ৭৫ x ৩০ x ৩০ | ৭৫ x ৩০ = মশীং ৩<br>৩০ x ২৯ = মশীং ২ | ৫ |
| ৩) ৯০ x ৪৫ x ৪৫ | ৯০ x ৪৫ = মশীং ৩<br>৪৫ x ৪৩.৫ = মশীং ২ | ৬ |
| ৪) ১২০ x ৪৫ x ৪৫ | ১২০ x ৪৫ = মশীং ৩<br>৪৫ x ৪৩ = মশীং ২ | ৮-১০ |

এক্কারিয়ম অমা শেমগৎপদা খঙজিনগদবা খরা মখাদা থমজরি।

১) এক্কারিয়ম পানখৎত্রিঙৈদা কদাইদা থমগদগে হায়বদু খনবিগদবনি। হায়বদি নুংশা মঙাল ফংদবা মফম অমদি কনাগুম্বা অমনা ফম্বা মতমদা মমিৎকী মপাগা চানহনগদবনি। হায়বদি চাউরাক্লা ফিট অহুমলোম লৈমাইদগী ৱাংহনগদবনি। নুংশা মঙাল ফংবা মফমদা থম্লবদি ঈশং কারকপগী খুদোংচাদবা থেংনগনি। এক্কারিয়মগী মখাদা ইঞ্চি অমরোম থাবা থরমোকোল হায়বদি চোংগাং থাবিগদবনি।

২) এক্কারিয়মগী মনুং থংবা গ্লাস মোৎলবসু শাপোন কৈদৌঙৈদা শীজিন্নরোইদবনি। ঈশিং লুম্বু লুম্বু শাবা শীজিন্নদুনা ফিগুম্বা অমনা তকথোকপীগদবনি।

৩) এক্কারিয়ম মনুংদা হাপ্লবা নূং মচাশিং অদু চাম্বদসু শাপোন কৈদৌঙৈদা শীজিন্নরোইদবনি। ঈশিংনা ইচম্না শেংনা চাম্বীগদবনি। হান্ননা শীজিন্নরুরবা নূংশিংদি চামথোক্লবা মতুংদা নুংশাদা ফজনা কংহল্লগা শীজিন্নবীগদবনি।

৪) য়ারিবমখৈ এক্কারিয়মগী মখুম খুমদুনা থম্বীগদবনি।

৫) এক্কারিয়ম অমদা থম্বীগদবা ঙা মশীং অদু মখাগী ফোর্মুলা অসি শীজিন্নদুনা হোৎপীগদবনি।

$$\frac{\text{এক্কারিয়মগী অশাংবা (সীএম) অপাকপা x (সীএম)}}{\text{২০}}$$

মসিদগী ফংলকপা মশীং অদুদা থাদগদবা ঙা অদুগী অশাংবনা য়েন্থোক্লগা ফংলকপা মশীং অদু এক্কারিয়ম অদুদা থাদগদবা ঙা মশীংনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মথক্কী ফোর্মুলা অসিদা ফংলকপা মশীং অদু ১০০ ওইরবা অদুগা থাদগদবা ঙা অদুনা সেন্টিমিটর ৫ শাংবা ওইরবদি এক্কারিয়ম অদুদা ঙা মশীং ২০ থাদবা য়াগনি।

৬) ঙাগী মচিঞ্জাক্তি লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি য়োনবা দুকানশিংদা ফংগনি। মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা কৈদৌঙৈদসু হেন্না পীজরোইদবনি হায়বদি য়োক্লিবা ঙাগী অপূনবা অরুম্বগী চাদা অমখক্তমক নোংমদা পীজগদবনি।

৭) নিংথমথাগী মতমদা ঈশিংগী অহিং অশা চাং অমদা থম্নবগীদমক থরমোঅষ্টেট শীজিন্নবিগদবনি।

৮) লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি য়োকত্রিঙৈগী মমাঙদা করম্বা মখলগী ঙা য়োক্কদৌরিবনো, মচা পুথোক্লবগীদমক য়োক্কদৌরিব্রা, ইমুংদা থম্বা এক্কারিয়মদা য়োক্কদৌরিব্রা নৎত্রগা য়ূমগী মপান্দা য়োক্কদৌরিব্রা হায়বনচিংবা ফজনা খনবীগদবনি।

লৈতেংগী ওইবা ঙাশিং অসি য়োকপনা মীওই কয়াগী শেন্দান লম্বী ওইবদা নত্তনা থবক ফংদবা মীওই কয়া অমসু থবক পীবা ঙমগনি। মসিগীসু মথক্তা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা অতাঙবা ঙাশিং অসি ফাদুনা মচা পুথোকপগী থবক পায়খৎলবদি মাঙখিগদৌরবা ঙাশিংবু কনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি। মরমশিং অসি লৈবনা চাননবা ঙা খক্তমক য়োকপা নত্তনা লৈতেংগী ওইবা ঙাশিংবু য়োক্তুনা অমদি মচা পুথোক্তুনা শেন্দাল লম্বী ওইবদা নত্তনা মাঙখিগদৌরবা ঙাশিংবু কনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি।

মসিদসু নত্তনা এক্কারিয়ম থম্বা মতমদা মীওই কয়াগী পোত্থানবগী তাঞ্জা পীরি। এক্কারিয়ম মনুংদা ঙানা শান্নজবা উবদা মীওই কয়াগী লাংতক্লবা পূক্লিংবু ঈংথহনবদা মতেং পাংবদা নত্তনা ঙাশিং অসি থম্বা মতমদসু হুই, হৌদোং অমদি অতোপ্পা শাগুম্না শেন্নবগী মথৌ তাদে। খুদম ওইনা হায়রবদা চয়োল অমা নৎত্রগা থাখায় অমা য়ূম থাদোক্তুনা মপান্দা চৎকদবা ওইরবসু মখোয়গীদমক্তা থোইনা মথা শানীংঙাই ওইদে। মচিঞ্জাক পীজদ্রবসু থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। করিগুম্বা মচিঞ্জাক থাবীনীংলবসু নুমিৎ তরামঙানিরোমগী মচিঞ্জাক অমুক্তদা থাবিরম্বগী খুদোংচাবসু লৈ। ●

# পাম্বীদা পীরিবা মচিঞ্জাক্লা লায়নাদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বে - ২

ডো. ৱাইখোম জিতেন

ঐখোয়না খঙই মচল শুবা চিঞ্জাক চাবা মশা মউ ফবা মীওইনা মচল শুদবা চিঞ্জাক চাবা মীওইদগী নাগন্দবা অমদি পুন্সি নুংশাংবা হেল্লি। মসিগা মান্নবা মওংদা পাম্বীশিংসু মখোয়না মথৌ তাবা তঙাইফদনা চংদবা য়াদ্রবা মখোয়গী মচিঞ্জাকশিং মখল শুনা অমদি চাং চানা ফংদবা মতমদা লায়না কয়াগী মহীকশিংনা লন্দাদুনা লায়না কয়া অমনা নাহল্লি অমদি পোৎথোক চাথোক হন্থহল্লি। মরম অসিনা ঐখোয়না পাল্লিবা পোত্থোক চাথোক অদু ফংনবা অমদি লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মথৌ তাবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং অসি মখল শুনা অমদি চাং চানা পীবিগদবনি। মমাঙদা পাম্বীনা চাং য়াম্না মথৌ তাবা মচিঞ্জাক মখল অহুমগী মরমদা নৈনখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিংগী মরমদা থমজগে।

কেলসিয়ম : লৈবাক্তা শুনু চাইবনা কোকফাই শুজাগী লায়নাশিংদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা মতেং পাংই। ফৌ পাম্বীগী তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিংদা কেলসিয়মগী চাং ৱাংনা য়াওবা মতমদা নেক ব্লাষ্ট হায়রগা খঙনবা ফৌ চরোংগী মখোক থংবা শরুক্তা কোরোক কোয়না অমুবা/ৱাওথাংনবা দাগফম লৈবগা লোয়ননা ফৌ চরোং অদু কংশিল্লক্তুনা ফৌহাম শাৎপা মখলগী লায়না অসি তাগন্দে। Becterial Wilt হায়রগা খঙনবা মনা-মশিংশিংদা তোয়না তাগনবা, পাম্বীশিং অদু লেপকং কংদুনা শিবগী লায়ওং অসি কেলসিয়ম মরাং কায়না পীবা পাম্বীশিংদা কয়া তাগন্দে। কেলসিয়ম অসি Calcium Pectate কৌবা পাম্বীগী তোঙান তোঙানবা সেলশিংবু ফাজিন্ননবগী থৌদাং লৌবা পোৎশক অসি শেম্বদা চংবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক অমনি। মরম অসিনা কেলসিয়ম মরাং কায়না য়াওবা পাম্বীনা লায়নাগী মহিকশিংদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌই।

সলফর : হায়রিবা পাম্বীগী তঙাইফদনা চংদ্রবা য়াদ্রবা মচিঞ্জাক মখল অসি কোকফাই শুজানা থোকহনবা লায়না মখল কয়া ঙাকথোক্লবা/ফহন্নবগীদমক মতম কয়াগী মমাঙদগী শীজিন্নরক্লি। Anthracnose হায়না খঙনবা লায়না মখল অসি সলফর শীজিন্নবা মতমদা লায়না তাবগী চাং হন্থে। পাওদরি মিলদিয়ু হায়বা লায়না মখল অসিদসু সলফর অসি পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইনা অমদি কোকফাই মখল অসিবু নমথনবগীদমক শীজিন্নে।

জিঙ্ক : পাম্বীনা চাং য়ামদনা মথৌ তাবা মচিঞ্জাকশিংগী মনুংদা জিঙ্ক হায়রিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক অসি মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক লৈহাওদা পাম্বীনা মথৌ তারিবা চাং অদু য়ৌনা ফংদবা থেংনৈ। অসুম্না জিঙ্ক ৱাৎনা ফংবা লৈবাক লৈহাওদা তোঙান তোঙানবা কোকফাই শুজাগী লায়নাশিং তাই। গেহুদা তাবা Crown rot হায়বা লায়না অসি জিঙ্ক হাপ্পিবা মতমদা মখা তানা পাম্বীগী অতোপ্পা মফমদা শন্দোকপা ঙমদে। জিঙ্ক হাপ্পীদুনা পাম্বীবু শাহৌ ফহনবনা কোকফাই শুজানা পাম্বীশিংদা লায়না শন্দোকপা অমদি লায়নাগী মহীক্লা পাম্বীদা চংবা ঙমহন্দে। Rhizoctonia root rot হায়বা লৌ খোইদনা হুনবা গেহু ফবা লৌফমদা তাগনবা লায়না অসি জিঙ্ক চাইবা লৌফমদা তাবগী চাং য়াম্না নেমই। মসিদসু নত্তনা Fusoricum হায়বা কোকফাই মখল অসিনা থোকহনবা লায়না কয়াদগীসু জিঙ্কনা ঙাকথোকপদা অচৌবা মতেং পাংই। Black Scurf হায়রিবা আলুদা তাগনবা লায়না অসিসু থাগদৌরিবা আলু অদু Zinc Sulphate 0.05% অমসুং 1% acetic acid তা মিনট ১৫ লুপ্লগা থারবদি লায়না অসি তাবগী চাং য়াম্না নেমই। অমরোমদা অমুক ফৌ পাম্বীগী ফৌ চরোংদা তাবা Blast (neck blast) হায়বা অসিসু ফৌ চরোংদা য়াওবা জিঙ্ককী চাংগী মখা য়াম্না পোল্লি। জিঙ্ককী চাং ৱাংবা পাম্বীশিংদা নেক ব্লাষ্ট তাবগী চাং য়াম্না নেমই। অমরোমদা অমুক জিঙ্ক হায়রিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখল অসি কোকফাই শুজাগী হীদাকশিং শাবদা হীদাক্কী মচল অমা ওইনা হাপ্তুনা লায়না ঙাকথোকপা অমদি পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইনবগীদমক শীজিন্নে।

মেঙ্গানিজ : হায়রিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখল অসি পাম্বীনা লায়না কয়া মশা মতোমতা ঙাকথোচনবগীদমক পায়খৎপা থৌরম কয়াদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মখল অমনি। গেহু অমদি চুজাক্কী মখলশিংদা তাবা পাউদরি মিলদিয়ু, চনালদা তাবা Downy mildew অমসুং গেহুদা তাবা Take-all নচিংবা লায়নাশিং মেঙ্গানিজ শীজিন্নবনা মপূং ফানা কনবা ঙমই।

কোপ্পর : লৌফমদা কোপ্পর শীজিন্নবনা কোকফাই অমসুং Bacteria না থোকহনবা লায়না কয়াদগী চাউনা মাঙগদবদগী কনবদা মতেং পাংই। গেহুদা তাবা পাওদরি মিলদিয়ু অসি কোপ্পর শীজিন্নদুনা ঙাকথোকপা ঙমই। ঐখোয়না কোপ্পর অসি আলু পাম্বীগী মনাদা কাপ্পীদুনা Late Blight হায়বা লায়না মখল অদুদগী কনবা ঙমই। অদুগা অমুক লৈবাক্তগী থোকহনবা লায়না মখল কয়াদগী ঙাকথোক্লবগীদমক কোপ্পর শীজিন্নবীবা য়াই। গেহুদা তাবা Rhizoctonia root rot, Take-all অমদি চুজাক্তা তাবা Charcoal rot হায়রিবা লায়নাশিং অসি কোপ্পর শীজিন্নবনা ঙাকথোকপা ঙমই। কোপ্পর শীজিন্নবনা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্লবগী ওইবা য়াবা মরমশিংদি -

(ক) লায়না থোকহল্লিবা মহীক (হিংকুপ) শিংবু খুদোংথীবা থোকহনবা মরমদি হিংকুপশিং অসিদি পাম্বীশিংগা য়েংনবদা মথৌ তাবা কোপ্পরগী চাং অসি য়াম্না নেমই।

(খ) হিংকুপশিং (মাইক্রোবস) বু হাৎপা খক নত্তনা পাম্বীশিংনা লায়নাদগী ঙাকথোক্লবগী শক্তি শাগৎপদা কোপ্পরগী য়াম্না চাউবা থৌদাং লৈ। মরমদি কোপ্পর অসি পাম্বী অমগী মশাবু লিংনা/কন্না লৈহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা Leguin শুংবদা চংবা মচাক অমনি।

(গ) কোপ্পর অসি হিংকুপ (মাইক্রোবস) শিংবু হাৎপা ঙম্বা মহি অমা পাম্বীশিংনা পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং য়াবনা মরম ওইরগা কোকফাইগী হিদাক ওইনা নৎত্রগা



পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা য়াই।

বোরোন : হায়রিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক অসিসু লায়না কয়াবু ঙাকথোকপদা অচৌবা থৌদাং য়াই। লৈবাক্তা বোরোনগী চাং ৱাংখৎহনবনা Rhizoctonia অমসুং Fasaricum হায়রিবা কোকফাই মখলশিং অসিনা থোকহনবা লায়না কয়া ঙাকথোকপা ঙমই। বোরোন শীজিন্নবনা পাম্বীশিংদা Phenolic অমসুং Leguin না পাঙথোকফম থোকপা মথৌ পাঙথোকপদা মতেং পাংদুনা লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমই।

তশেংবমক্তি পাম্বীশিংনা লায়না ঙাকথোকচবা হায়বসি মখোয়গী পারি পুরিদগী য়াওজরকপা মগুনগা য়াম্না মরী লৈনজরবসু পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইরিবা তোঙান তোঙানবা Nutrient শিং অসিনা পাম্বীশিং নৎত্রগা হিংকুপশিংগী মশা মনুংদা পাঙথোক্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌওংশিং শরুক য়াশিন্দুনা লায়নাদগী ঙাকথোক্লবগী পাম্বে শেমগৎ শাগৎপদা অচৌবা থৌদাং য়াই। পাম্বীশিংদা নাইত্রোজেন হেনবনা লায়না কয়াদা মতেং পাংশিল্লবসু লেমহৌরিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং মরাং কায়না ফংহনবনা লায়নাশিং ঙাকথোকপদা অচৌবা থৌদাং য়াই। মরম অসিনা লায়না অমদি তীলনাদগী ঙাকথোক্লবগীদমক হীদাক পংশি শীজিন্নবদগীদি পাম্বীশিংবু মথৌ তাবা মচিঞ্জাক মতিক চানা পীবনা হেন্না পোৎথোক চাথোক পুথোকপদা মতেং পাংই। লোয়না লোয়ননা ঐখোয়গী অকোয়বদা হীদাক লাংথক্লা মোৎশিলহনবদগী কন্নবগীদমক পাম্বীশিংদা মথৌ তাবা মচিঞ্জাকশিং মখল শুনা/চাং চানা ফংহন্দুনা অহেনবা পোৎথোক চাথোক পুথোক্তুনা শেন্মীৎলোন ফবা লমদম অমা ওইবগা লোয়ননা অফবা চিঞ্জাক চাবা মশা মউ ফবা খুন্নাই অমা ওইমিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।